ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জন্যুৱারী ০৬, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৮০শুবা মশীং

# মণিপুরগী আই এল পি শীংনরকপা

## সেন্টরনা কদাই ফাওবা লেপ্পীগদৌরি

মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (আই এল পি এস) বু সুপ্রিম কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌদুনা শীংনরক্লে, মসিদা সেন্টরগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কদাই ফাওবা মণিপুরগীদমক লেপ্পীগদৌরি? ৱাহংসিবু হংবা য়াবা ৱাহংলা? হায়বদি কুমজা ২০১৯দগী মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা সিষ্টমসি লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অমা ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা শীংনরকপনি। চুম্নতগী এপেক্স কোর্ট অসিদা কমপ্লেন্ট/রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকপা নত্তে। 'অমরা বেঙ্গলী' কৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা পিটিম্নর ওইদুনা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপনি। ৱায়েলশঙ অমদা অদুসু লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা কোর্ট অমদা ৱাকৎলকপা ৱাকৎপু/ৱাফম্বু য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা তেকচাক নমশিনবা য়াফম থোক্কদ্রা? থোকওই, থোকফম থোক্তে। লো কোর্টতা ৱাকৎলকপা ৱাফমদি লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংগী মতুংইন্না ৱায়েলশঙনা ৱায়েল চখরগা মখোয়গী ওইবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর পীগদবনি। থবকসি লো কোর্টকী ওইজবা থবকনি। অদুবু ৱাফমসিগী মতাংদা কোর্টনা লোগী ওইবা প্রোসিদিংশিং লৌখৎতুনা ৱায়েল চখরগসু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগীদমক কদাই ফাওবা লেপ্পীগদগে হায়বসিদি হংদবা য়াদে। মরমদি মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা আই এল পি এস অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৪, ১৫, ১৯ অমসুং ২২না পীরিবা প্রোভিজনশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবনি, মসিগী ৱাংমদনি হায়দুনা ৱাকৎলক্লিবসি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মথক্তনি। য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী য়াওনা ওফিসলশিং অসিনা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবনি। মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসিবু শীংনরক্লিবা কেস অদু জন্যুৱারী ৩, ২০২২দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস অব্দুল নজির অমসুং জষ্টিস কৃষ্ণ মুরারিগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। এপেক্স কোর্টনা কেস অসি খন্ননবগীদমক লৌখৎলকপদা কেস অসিগী পিটিম্নর ওইরিবা অমরা বেঙ্গলীগী মায়কৈদা ওর্গনাইজেসন অসিবু মহুৎ শিন্দুনা এদভোকেটশিং ফুজাইল অহম্মদ অয়ুবি, ইবাদ মুষ্টাক অমসুং কনিশকা প্রসাদনা লেপখি।

পিটিম্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা কোর্টতা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা য়াওনা মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখিবনি। কোর্টকী নোটিসতুনা হায়রিবসি নখোয় (য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা ওথোরিটি অমসুং ওফিসলশিং) না মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টমসি মরম চাদে, কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং শীংনবনি হায়দুনা চৎনহনবিগনু হায়রক্লে। ৱাফমসিগা মরী লৈনবা নখোয়গী ওইবা পাউখুম (রিপ্লাই/এফিদেবিট) শিং পীখৎলকউ হায়বনি। মসিবু পীখৎনবগী অকক্নবা নুমিৎ অমসু পীবনি। মসি ওইরগদি মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনহল্লক্লিবসিগীদমক্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী কেসসিগা মরী লৈনরিবা ওফিসলশিংনা মণিপুরগীদমক কদাই ফাউবা লেপ্পীগদৌরি হায়বা ৱাহংসি হংফম থোক্লিবরা হায়বসিনি। মরমদি চৎনহল্লক্লিবা সিষ্টম অসিবু শীংনরক্লে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাকৎতু ফংবগা আই এল পি অসি হেক্তা ককথৎলকপা নত্তে। নাকল নাম্মতগী ৱা তারগা 'এক্স পার্টে' ওইনা দিসিজন লৌখিবা নত্তে। ৱাকৎসিবু ৱাকৎলক্লিবা ওফিসলশিংদা নোটিস পীদুনা খঙহল্লক্লি। মখোয়গী ওইবা পাউখুমশিং ঙাইহরি। মরম অসিনা ওফিসল য়াওনা রেসপোন্দেন্ট পূম্নমক্না পীরকপা পাউখুমশিংদুগা ৱাকৎতুগা তুনা য়েংলগা ৱায়েল চখরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা জজমেন্ট পীগদবনি। অদুনদি কেসসিগী প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী য়াওনা ওফিসলশিংনা মণিপুরদা চৎনহল্লিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসি করিগী চৎনহনবনো, করিনো, মসিবু চৎনহন্দবা য়াদবগী মরমশিং য়াওনা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন্স, ১৮৭৩ হায়বসিনা করিনো? সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) হায়বসিনা করিনো, মসিগা আই এল পি এসকগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিংনা করিনো হায়বনচিংবা মচা খায়বা, মরীক চুম্বা ৱাফমশিং শুগাইনা পন্দুনা সুপ্রিম কোর্টতা পীফম থোকই। পীখৎলক্নবসু হায়রক্লিবনি, নোটিস ইস্যু তৌরক্লিবনি। কোর্টকী ৱায়েলনা মখোয়গী ওইবা মচৎনি। অদুবু ৱাকৎলক্লিবা কেসসিগী ৱায়েল চখনবগীদমক রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংদগী কদাই ফাওবা তৌরক্কদৌরি হায়বসিনি। পাউখুমদা থরেক থরেক তৌরুবা য়ারোই। মমিংতগী ওইনা পীখৎলুবসু য়ারোই। য়াববুদি য়ানি, য়াদবা লৈরোই। অদুবু থরেক্নরুরবদি সুপ্রিম কোর্টনা চৎনহল্লক্লিবা সিষ্টমসি ক্লাশ তৌথোকখিনি, চৎনহনবীরক্লোই হায়বগী ৱানি। মরম অসিনা ৱায়েল থৌদাগী থবক্তুনা কোর্টকী মথৌদাং ওইরবসু চৎনহল্লক্লিবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগীদি অরৈবা পান্থে শীজিন্নদুনা, অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনা য়াপংনদা ওইরবসু চিকহৌরগে হায়বদুগী ফীভমদা খা চিক্তুনা হোৎনহৌবা চঙই হায়বনি। নৎত্রবদি মণিপুরদনা আই এল পি এসসি মপূং ফানা ফাওবা চৎহন্দ্রি হায়দুনা ৱারু নুংজু থোক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চৎনহল্লরোইগা হায়রক্নদি কুম্মৈ নুংঙাইনি হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *''তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুম্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ে হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোম্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ''* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **''শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ***''ইচে বীনো''*** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***''ফিমন খুনবা''*** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ***''মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও''*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫৯

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

হৌখিবা মমাঙগী এদিসনদা শুমাং লীলাগী পাম্মুরবা মশক অসিনা ময়েক লারক্তবগী মতাংদা ৱাখল মচি খরা কাঙখ্রে। ঙসিসু শুমাং লীলানা মীয়ামদা পীরিবা ৱাখল্লোন অমদি মসিগী মশক মওং মতৌ খরদং মখা তানা শমথজগে। শুমাং লীলানা শাহৌ ফনা হৌরকপা মতম, মশাগী ওইবা মশক অমগা লোয়ননা শাফোংলকপদা ইহান হান্না অইবা স্ক্রিপ্ট লৈদুনা লীলা ওইনা শান্নরকপা অসি পুয়া মৈ থাবা হায়বা লীলা অসিনি। লীলাসিনা মতমদুগী মীয়ামদা য়াম্না কনবা মরৈবাক মরমদম্বু নুংশিজবগী অকনবা ঈথিল অমা পীবা ঙমখি। মদুগী কান্নবা হীরম কয়া অদু উরকপদগী সনা কোনুংলোমদগী নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না লীলাসি শান্নবা য়ারোই হায়না থিংলকখিবগী অঙকপা অমদি শাথীবা ফীভম অমা থেংনখি। মসি রেকোর্দনি। শুমাং লীলানা ইহান হান্না মাগী স্ক্রিপ্ট লৈজদুনা মীয়ামদা অনৌবা শকলোন অমগা লোয়ননা লাম্হোরকপা মতমসিদা থেংনখিবসি - মীয়ামগী ওইনা য়েংলগনা ১৭০৯দা থোকখিবা লাইনীং লম্বীগা মরী লৈননা লমদমসিগী লৈজরম্বা লাইনীং লিচৎ থুগাইরকপা, লমদমসিগী তুংলমচৎকী মীরোলদা পীরম্বা লুরবা লাইগী ৱা য়াওবা, লাইরিক কয়া খোমগৎতুনা মৈ থাখিবা, লমদমসিগা মরী লৈনবা পুন্সিরোলদা শাথীনা অহোংবা লাকখিবা, ইশম শম্না লমদমসিগী মীয়ামগী মরক্তা শিংচেপ থাজিন্দুনা খাইবুং খাইবুং তাহন্নবগী কয়াৎ য়াৎপা হৌরকপা অমদি ফুরুপ অসিবু লৈখা তাহন্দুনা কাঙলূপ ফুরুপ মুখৎনবা হোৎনরম্বগী থৌদোক ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা য়াম্না কনবা পাউজেল পীবা লীলা মখল অমনি। মসিবু য়েংলুবা মতুংদা মীয়ামগী ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি মতম অমগী লিক্লম লম্বী থিনরক্তুনা লৈরিবা সোসল সিষ্টম অসিদা শাথীবা অকায়বা লাকপা তারে হায়না পাখৎ চাওবা পন্দিটশিংগী য়াথংনা লীলাদু থিংখিবনি হায়বসি য়াম্না নাখৈ শেংলে। অনীশুবদা অমুক য়েংবা য়ারিবসিনা, মতমদুদা শুমাং লীলানা মপাঙ্গল কনখৎপা হৌরকপদা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা অথিংবা লাক্তুনা শুমাং লীলাগী খোঙজেল অমদি মসিনা পীরিবা ইম্পেক্ট কয়া অদু য়ৈথৎলকপা অসিনি।

মসি শুমাং লীলানা হেক পোকপদগী লোয়নরক্লবনি। মসিগী মখা তারকপদা অনীশুবা ওইনা স্ক্রিপ্ট লৈরবা লীলাসি - বি এ মপা লম্বোইবা হায়বা অদুনি হায়না রেকোর্দতা থেংনরি। মসিনা অমুক মতম অদুগী খুন্নাইগী মশক অদু য়াম্না কন্না নৈনরকপনি। চাওখৎপগী মশক অদু য়াম্না কন্না নৈনরকপনি। চাওখৎপগী মীংদা হোংলক্লিবা মীওইবগী লিচৎ শাজৎ অমদি ৱাখল্লোন মতা অদুনা ঈংনা চিক্না লৈরম্বা চীংলৈবাক্কী মীয়ামগী মরক্তা থোরকখিবা ত্রেদিসনেল অমদি মোদর্নিজমগী কনফ্লিক্ট অদু ওইগদৌরিবনি। লাইরিক হৈরগা মমা মপা নীংশিংলক্তবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা মহাক মথন্তগী ওইবা তাইবঙপান অমা শেমগৎলকপা, অকোয়বদা লৈরিবা খুদিংমক অসিবুনা মীওইবা ওইনা উরক্তবা, মখা থাবা, মথক থোংবা পূম্নমক্তা লৈরম্বা থৌগল্লোন পূম্নমক থুগাইদুনা অনৌবা চাওখৎপগী য়াওলদা পুমকাই কায়রবা খুন্নাই অমা লাক্লে হায়বা অদু লীলাসিনা উৎখিবনি। লীলা অসি মীয়াম্না মতম অদুদা পাম্না য়েংনখি। অদুবু লীলা অদুনা হায়রিবা অমদি মীয়ামদা পীনীংলিবা পাউজেল অদুগী মতাংদদি কয়াম কন্না খন্নখিবগে হায়বা অদুগী ওইবা ৱাফমদি থোইনা লৈখিদে। ৱাখলদা পোক্লবসু মদু লীলানি হায়না ইরায় লায়না খন্দোকপগী মতৌ অদু লৈখিবনি। অসুম্না মতম মতমগী ওইবা ইস্যু কয়াদা শুমাং লীলানা মীয়াম মরক্তা লেঙ লেঙ চৎতুনা য়াওশিন্দুনা লাকখি। মীয়ামগী মরক্তা চঙশিল্লগা অনৌ অনৌবা ইস্যু কয়াগী মপাউ, ইস্যুশিং অদুগী সোল্যুসন করম্না থিগদগে অমদি মদু করম্না লম্বী থৈরগা অফবা লিক্লম অমা ফংগদগে হায়বা অসি শুমাং লীলানা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা লাকখি। করপসন, লো এন্দ ওর্দর, চাক তাঙবা, পোলিটিকেলগী ওইবা সিষ্টম, সোসল চেঞ্জেস কয়া অসিদা শুমাং লীলানা মমুৎ তানা তানা উৎলি। মীয়াম্বু অমুকসু নোকহল্লি, অমুকসু কপহল্লি। অদুগা লোয়ননা ৱাখলসু খলহল্লি।

শুমাং লীলানা শোক্তবা ইরৈ লৈতে। মালেমগী ওইনা ফাওরবা প্লেরাইট ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রনা ইরম্বা হেমলেট ফাওবা শুমাং লীলাদা শান্নখি। শুমাং লীলাদা বেঙ্গলগী মমিং লৈরবা রাইটর সরতচন্দ্র চত্তোপধ্যায়গী দেবদাস লমদমসিগী খুঙ্গং অমদা থোকপা থৌদোক্কুম্না, লমদমসিগী নাট শক্তমগা শাগোন্ননা লীলা ওইনা শান্নরকপদা মীয়াম্না অঙকপা ফংনা পাম্নখি। আর্টিষ্ট কয়া অমসু মমিং চৎখি - দেবদাস শাবা, চুনিবাবু শাবা, পার্বতি (পারু) শাবী, চন্দ্রমুখি শাবী, ধর্ম্মদাস শাবা। কেরেক্টর খুদিংমক মমিং লোইনা চৎখি। লৈবাক শিনবা থুংনা ফাওখি। ঙসি ফাওবদা কাউনদ্রি, হেমলেট শাবা লৈখিদ্রবা ব্রজবিধু। সেক্সপিয়রগী হেমলেট মহাক ওইরবোই নীংনখি। শুমাং লীলাদা লান শোক্লবা, লানফমগী অকি-তুজুংবা, লোইনমক উৎপা ঙম্মী। কাশ্মীরগী লান, অৱাগী লান অমদি ফোক প্লে কয়াদা অকি অখং কয়াগা লোয়ননা মীয়ামগী পূক্নিংদা য়ৌনা ফাওহনবা ঙম্বা লীলা কয়া অমা লৈখ্রে। শুমাং লীলাদি peasant art নি। ইচম চম্বা অদুগা মনুংদা মহাউ ময়াম অমনা পিক থন্না য়াওবা। অর্বান, রুরল খাইদবা, চহীগী খেন্নবা লৈতবা, অচৌ অশাং, নুপী অঙাং, খ্বাইদগী পিকপা শিনফমদগী হৌরগা অচৌ অচৌবা শিনফম ফাওবদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা মপূং ফানা চপ মান্ননা নুংঙাইমিন্নবা পূন্না ৱাখল খনমিন্নবা অমদি নোকমিন্নবা মখলগী লমদমসিতগী ওইবা অতাঙবা পর্ফোর্মেন্স অমনি।

মতম মতমগী হোংলক্লিবা খুন্নাইগী মশক কয়াদা শুমাং লীলাদি ইচেন চেন্নদুনা লাক্লি। তৌবগীসু মসি হেক হৌরকপদগী হৌনা খুন্নাই মীয়ামদা হুল্লিবা মীহুল অদু শোক্লা লীলা ইদ্রবা অমদি শান্নদ্রবদি লীলাদু মীয়ামগী অপেনবা ওইদে। শুমাং লীলাদি চাংয়েং য়াদে। মাদি অশেং অশেংবা থৌদোক-ৱারীগী য়ূম্ফমদা শাদোংবনি। লমদম অসিদা এদ্যুকেসনগী চাওখৎলকপা, লাইরিক লাইশু হৈরবা ত্রেদিসনেল ভেল্যু মশক খঙলক্তবদুনা শাহেব শারকপা, মদুনা অহল্লোন অমদি নহারোলশিংগী মরক্তা আইদিওলোজিকেল কনফ্লিক্ট অমা থোরকপা, লাইরিক হৈতবী মনেমগা, লাইরিক হৈবী মমৌগা অনীগী মরক্তা লাক্লিবা মুক্নবা কয়া, চাওখৎপগী মীংদা হোংলক্লিবা খুন্নাইগী মশক্তা, শাগোন্নরকপা ৱারীগী লৈচল কয়া শুমাং লীলানা চিংথোক চিংথোক্তুনা মীয়ামদা থেন্দুনা পুথোরক্লি। ইন্দিয়ন দোমিনিয়নদা মণিপুরনা নমতিন তিনশিনখ্রবদা, মতমদুগী লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংগী ৱাখল্লোন্দা লাকখিবা অহোংবা কয়া, মরমদম্বু নুংশিবগী ঈথিলনা অমুক হন্না মনীং মখা তম্বগী লাঞ্জং চঙশিল্লকপা, মদুবু থেংননবা ইন্দিয়ন আর্মি অমদি ষ্টেট পুলিস অমদি পেরা মিলিটরিগী লাল্লোং কয়া। অদুগুম্বা কয়া অদুনা মীচম মীয়ামদা থেংনহল্লিবা খুদোং চাদবা কয়া। লমদম অসিদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট পুশিল্লক্তুনা মীয়ামগী পুন্সিবু তেমশিংনরকপা, মদুগী পেন্দবা ঈহৌ কয়া মচি মচিদা হৌরকপদু শুমাং লীলানা লেম্না অমত্তা থাখিদে। মদুগুম্বা লীলা কয়া মীয়ামগী অনীংবসু, লৈঙাক্কী অপাম্বসু অনী তুনা হাপ্তুনা বেলেন্সিং তৌরগা লীলা পুথোক্নরকখি। পুলিস অমদি আর্মিগী অহেনবা এক্সন কয়াবুসু মীয়াম্না পেন্দনা লাওহল্লি। মদু ময়াম পূন্না য়েংমিন্নরগা পূন্না নুংঙাইমিন্নৈ। পুলিস তপ তাখৈ চৈরসু পুলিস অমত্তনা শাউদে। নোক্না নোক্না শেলদুম থাই, মথম্মোয় পেন্না। অদুবু করিগুম্বা মীহুল কাংবা মতমদদি লীলা পার্টি ফাজিনবা, লীলা শান্নবা য়ারোই হায়না থিংজিনবা অমদি স্ক্রিপ্ট ফাজিনবনচিংবা কয়া মরক মরক্তা থেংনবদি য়াওখ্রে। মসিগা চপ মান্ননা, লাল হৌরিবা নহারোলশিংনসু মখোয়গী মরমদা খরা হায়রুবদা কৌ কৌদুনা মদু করিগী হায়রিবনো, মদু ককথৎলু হায়বনচিংবা কয়াগী থৌদোক কয়া অমসু মমাঙদা লৈখ্রে। পূম্নমকশিং অসি শুমাং লীলানা ঙসি ফাওবা থেংনদুনা লাক্লি। মদুগুম্বা কয়া অদুনা শুমাং লীলাগী খোঙচৎপুদি থৎপা ঙম্লক্ত্রি। মসিগী খ্বাইদগী চাওরবা মরমদি, শুমাং লীলা হায়বসি মীয়ামগীনি। মীয়াম্না য়ারবদি শুমাং লীলাগী মতু নাম্মা তেক্কদবা লৈতে। মীয়াম্না শুমাং লীলাবু কোনশিন্দুনা থম্মী। শুমাং লীলানসু মীয়ামগী মরুম থুপ্তুনা পোংজরি। লুরিবদি মীয়ামগা শুমাং লীলাগা শম্নবা ঙম্নবা হোৎনবা তাই। মীয়াম্না য়াদবা শুমাং লীলা লোইগদৌরিবা ওইবনা, শুমাং লীলা তৌরিবশিংনসু মীয়ামগী অপাম্বা অমদি মীয়ামগী মীহুলসু নিংথিনা খঙবা মথৌ তাই। নত্তদুনা নাপল কারবদি মীয়ামদগী শুমাং লীলা শোয়দনা লাপথোকখিগনি। মীয়াম্না লাপথোকখিবা মতমদা শুমাং লীলাগী করি মরাইবক লাক্কদগে হায়বসি তম্বা ঙমদে। হৌজিক হৌজিক মক্তদা শুমাং লীলা অসি মীয়ামগা কা হেন্না শম্নবা ৱাৎলে হায়নবা লৈরবনি, মসি চেকশিন্নবা ইঙ্গিৎ অমা পীবা হৌরবনি। মীয়ামগা শাগোন্নদুনা লৈরম্বা, মণিপুরগী ফজরবা পর্ফোর্মিং আর্টস কয়া উনা উনা মাঙখিবদা কনানসু থিংবা ঙমহৌখিদবনি। তাঙলবা আর্ট ফোর্ম কয়া মাঙখ্রবনি। মসিমসু নীংশিংবা চুম্মী হায়বসি মীয়ামগী মরক্তা থম্নরক্লি। ●

# অনৌবা চহীনা লাকপদা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

অনৌবা চহীনা লাকপসিদা অহানবমক্তদা ইরমদমগী ইরৈচা খুদিংমকপু নুংঙাই য়াইফ পাউজেল পীজরি। মতমগী খোঙজেলদি লেপ্পা লৈতনা অসুম অসুম মাঙদা চঙশিল্লি কনাবুসু ঙাইবা তৌদনা। অদুবু ঐখোয়গী পুন্সিনা কয়া য়াম্না মাঙদা চঙশিনবা নৎত্রগা চঙশিন্দবা হায়বসিদি ঐখোয় ঐখোয়গী ৱাখল্লোল অমদি থবক খূৎশুলোলদা য়াম্না মখা পোল্লিকো। অরিবা চহীগা অনৌবা চহীগা খূৎশম্নবগী পুংজানা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমক তৌরু তৌরুবা হীরম খুদিংমক্তা মমাঙ চহীদগী হেন্না মায় পাকপা, অফবা নুংঙাইবা অমদি অনা অয়েক য়াওদবা হায়না থম্মোয়দা নীংনৈ লোয়ননা ঐখোয় অমগা অমগা পাউজেন্নৈ অমদি ফোঙদোকনৈ। ইশা ইশাগী অনীংবা, অপাম্বা ফোঙদোক্নবতা নত্তনা নীংনৈ, ফোঙদোক্লে, পাউজেন্নৈ ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) না মাঙদা চঙশিন্দুনা, চাওখৎতুনা ঈংনা তপ্না পানবা হায়না।

অদুবু অৱাবদি চয়োল অমা অনী লৈরগা ঐখোয়না নীংজখিবা, ফোঙদোক্নখিবা পূম্নমক হেক হেক কাউথোকখিদুনা তৌগে, পাঙথোক্কে খনখিবা ঈহৌ কয়া পাঙথোকপা ঙমদনা হান্নগুম হামু হামু, অন্ধা অন্ধা তাদুনা তোকপগুম থোক্লি ঐখোয় অয়াম্বনা। মসিগী হৈনবী অসিনা মরম ওইদুনা তৌগে খনখিবা ইথৌশিং থবক ওইনা পাঙথোক্তবনা চহী কয়া অমা হৌখ্রবসু ঐখোয় ইশা ইশাদা অদুক য়াম্না অফবা, অহোংবা পুরকপা ঙমদনা হৌখি চহী কয়া। অসিগুম্বা হৈনবী অসি মীয়ামদা খক্তা নত্তনা লুচিংবশিংগী মফমদসু লৈবনা ইরমদম কংলৈপাকসু মাঙদা চঙশিনবা অমদি মায় পাকপগী ঙম ইশান শান্দনা লাক্লি ঙসিফাওবা। অসিগুম্বা হৈনবী অসি লৈবনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরসু হান্নগুম হামু হামু তাদুনা লৈরক্লি। অসিগুম্বা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি হৈনবী অসি হোংদোক্ত্রিবা মখৈ অনৌবা চহী ফনা য়াম্না লাকসনু, ঐখোয়গী ৱাখল্লোলবু থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি ঐখোয় ইশাসু অদুগা ইরমদমসু কৈদৌঙৈদা মাঙদা চঙশিনবা ওইথোক্লোইদো।

অনৌবা চহীনা লাকপদা ইশা ইশাবু অমদি লমদম অসিবু অনা অয়েক য়াওদনা মাঙদা পুশিনসি, চাওখৎহনসি হায়রবদি খ্বাইদগী অহানবদা ঐখোয়না তৌগদবসি ঐখোয়গী ৱাখল্লোল খজিক্তা ওইরবসু হোংদোক্লবা হোৎনবা লোয়ননা নীংজখিবা, হায়দোকখিবা পূম্নমক লোইনমক ঙমদ্রবসু অয়াম্বদি থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। লোয়ননা হন্দক চহীসিগী ওইনা ইশা ইশাগী পাঙথোক্কে খনবীরিবা রিজোল্যুসনগী শরুক অমা ওইনা ইরমদমগী ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সনদা লুচিংবশিং খনবদা থম্মোয় শেংনা লমদম অসিগী তুংগী খনবীদুনা অফবা, অচুম্বা লুচিংবশিং খনগে হায়বগী ৱারেপ লৌবীয়ু। ৱারেপ অসিনা লমজিংদুনা অনৌবা চহী ২০২২ অসিদদি মমাঙ চহীশিংদা কেন্দিদেটশিংগী শেলনা হুমদুনা পুখিবনা ইরমদমগী তুংগী অফ ফত্তা করিসু খন্থরুবা তৌদনা শেল খ্বাইদগী হেন্না য়াম্না পীবা কেন্দিদেটতা ভোট পীবগী হৈনবীদু থাদোক্লসি। শেলদি পীরবনিনা লৌরসি। অদুম ওইনমক শেল পীদুনা ভোট লৈবগী চৎনবীসি পামজদবা নৎত্রগা শেল পীবা ঙমজ দবা, থম্মোয়দি শেংজবা, লৈবাক্কী ওইনসু অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা মীরেপশিংদা ভোট থাদবগী ফিরেপ লৌরসি।

অদুগা ৱাফম অমনা, মশা মশাগী ওইজবা, কান্নবা অমা হেক্তা ওইসনু খন্দুনা চোংথোক চোংশিন তৌখিবা কেন্দিদেটশিং, মিনিষ্টরসু ওইসনু, এম এল এসু ওইসনু, মখোয়দা ভোট পীরগুমসি হায়বগী ৱারেপসিগা লৌবীয়ু। অসিগুম্বা লুচিংবা শাবা মীওইশিং অসিনা ইরমদমগীদমক করিসু তৌরক্লোই। মশা মশাগী কাননবা খক খনবা, তৌবা নত্তনা। পার্টিগী আইদিওলোজি ঙাক্না চৎপা মীরেপশিং হায়বদি চোঙথোক চোঙশিন তৌদবা মীরেপশিংদা ভোট পীবিয়ু। মসিনা ইরমদমদা অফবা খরতা ওইরবসু পুরকপা ঙমগনি। খ্বাইদগী ফবদি শেলদি পায়জ দবা, শেল য়েনবসু ঙমজদবা অদুগা তুংগী ওইনদি ফগদবা মীরেপশিংদা ভোট থাদবা অসিনি। অফবা লুচিংবা য়াওদনা অফবা চাওখৎপা, ঈং তপ্না পানবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা ওইথোক্তে হায়বা কাউফদে। অতোপ্পা লৈবাকশিংগুম ঈংনা তপ্না, নুংঙাইনা হিংনীংলবা, চাওখৎপা পাল্লবদি ইশা ইশাগী নীংজবা ইথৌ পাঙথোকপদা নত্তনা মীখলদা অফবা লুচিংবা খনগৎপা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী চঙদ-য়াদ্রবা ইথৌনি, থৌদাংনি হায়বসি কাউফদে।

ভোট থাদবা হায়বসিগী মতাংদা মীওই খরা অমনা অহোংবা করিসু লাক্কদবা লৈতে হায়দুনা ভোট থাদদবা, থাদরবসু নোটাদা থাদবা হায়বসি থোইদোক্না কান্নবা ফংলোই। নোটাদা নৎত্রগা ভোট শুংথা থাদদবগী মহুত্তা লৈবাক্কী খরতা ওইরবসু তৌরক্কদবা মীরেপতুদা ভোট পীবনা য়াম্না হেন্না ৱাহন্থোক লৈগনি। মীওই খরা অমনা ভোট পীরসু পীদ্রসু মীরেপ অমদি শোয়দনা অদুম কাখিগনি। অদুম ওইনমক কারিবা নৎত্রগা কাদ্রিবা মীরেপশিং অদু কনানা হেন্না পাম্নে হায়বদুদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। হায়জরিবসি মীখল চুম্না পাঙথোকপা মীখল অদুবুনি। শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা, মসল অমদি নোংমৈ চীংদোলদা পাঙথোকপা মীখলদদি নোটা ওইগেরা ভোট থাদগেরা থাদরোইগেরা ৱাহন্থোক অমত্তা লৈত্রে। অসিগুম্বা থৌওংসি ইন্দিয়াদা, মণিপুরদদি মীখল খুদিং থোকপনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থোক্তনা, লৈতনা লাক্লিবা মীখল অসি পাঙথোকপা ওইরসনু।

অতোপ্পা লৈবাকশিংগী অফবা, চাওখৎপা, ঈংনা তপ্না হিংববু উরুরগা থম্মোয় শোকপা, নীংবা কায়বা অমদি থম্মোয় খুদুম শুদুনা খাঙবদো থোকহল্লোইসি হায়রবদি ঐখোয় ইশা ইশাগী ঈথৌ পাঙথোকপা তম্লসি। লোয়ননা অফবা লুচিংবা খনগদবা মতমদা শেলগী মতিক ময়াইনা অফ ফত্ত খন্থবা ঙমদনা ইশা ইশাগী মমল য়াল্লবা ভোটপু ইরায় লায়না য়োম্থোক্তুনা মতিক ময়াই য়াওদবা লুচিংবশিংবু ঐখোয়গী লুচিংবা ওইনা খনগৎপগী হৈনবী থদোক্লসি। মসি হায় হায়দুনা মীওই খুদিংমক শেলগী তান্থাদা ঙাওদুনা চৎলি হায়বদি নৎচদে। মীওই কয়া অমদি মখোয়না লেপখিবা, নীংজখিবা অমদি ফোঙদোকখিবা অপাম্বশিংবু নীংশিংদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্বা কয়া অমসুনি। মখোয় অসিননি ঐখোয়গী খুন্নাই অমদি ইরমদম্বু মতমগী ইরৈনুংদা লুপখিগদৌবদগী খরতা ওইরবসু কনবা ঙল্লিবা।

লোইশিল্লকপদা ইরৈচা খুদিংমকপু অমুক্কা হন্না নুংঙাই পাউজেল পীজরি। অশেংবা, অফবা, মরমদমবু তশেংনা নুংশিজবা, থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌজবা, থৌনা ফবা লুচিংবা য়াওদনা লৈরকপনা ঙসিদি ইরমদমগী ঙমখৈ মাঙশিল্লকপা, পিকশিল্লকপতা নত্তনা লমদমসিদা হৌজ চাওজরকপা য়েলহৌমী ঐখোয়সি মীতোপনা অসুম অসুম কোইশিনখ্রে। ঙসি ওইরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় চহী খরগী মতুংদদি য়েলহৌমী ঐখোয়সি ঐখোয়গী ইরমদম অতোনবা ওইনা লৈবা নত্তনা অতৈ লম্বী অমা লৈরক্তবগী ফীভমদা লাক্লে। হৌজিক হৌজিকসু সেন্টরদা তাংজ দুনা হিংলিবা অসিনি। ঐখোয়গী লৈঙাক্না মশাগী ওইবা করম্বা ফিরেপ্পু লৌবা ঙল্লিবগে, ঙমদ্রে। হৌজিক হৌজিক্কী লুচিংবশিং অসিসু মশা মশাগী কান্নবতা য়েংদুনা মশাগী ফিরেপ অমত্তা য়াওদনা চোঙথোক চোঙশিন তৌরি অদুগা মমিৎ ফাওবা হঙ্গৎনা য়েংবা ঙমদ্রে। য়াম্না তোন্না হিংলিবনি ঐখোয় ঙসি। ফীভমসিদা অফবা, অশেংবা, থৌনা ফবা, মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা লুচিংবা খনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি কাউগুমসি। অনৌবা চহীসিনা লাকপদা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন হোংদুনা, ইথৌ পাঙথোক্তুনা অনৌবা, অফবা য়াওন পুরকপা ঙম্বা ওইহল্লসি। য়াইফমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।